এস আই পেপর লিক স্কামদা মরু ওইনা চেন্নবা বি জে পি লিদর দিবানদেকা পুলিসনা ফারে, পার্টিদগী তান্থোকখ্রে

গুৱাহাটি, ওক্তোবর ০১ (এজেন্সী): সব ইন্সপেক্টর (এস আই) রিক্রুইটমেন্ট এগজামগী ক্বেসন লিক ওইবগী ৰাথোক্তা মরু ওইনা চেন্নরিবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা বি জে পিগী লুচিংবা দিবানদেকা য়ূমশকৈশা নুমিত্তা অসাম পুলিসতা সরেন্দর তৌখ্রে।

হান্নগী দি আই জি বি কে দত্তগা লোয়ননা দিবানদেকা কেস অদুগী মরু ওইবা এক্যুইজশিংনি। অসাম পুলিসনা দিবানবু ফাননবা থিবা হুন্বগী ওপরেসন পাক শন্না চত্থখি। মহাক ঙরাং পুলিসতা সরেন্দর তৌবা চৎলিঙৈদা ফাখিবনি।

নুমিৎ ১০নি কোয়চেন চেন্দুনা লৈরকখিবা দেকা ঙরাং নুমিদাং অথেংবা পুং ১১.৪৫ রোম তাবা মতমদা অসামগী বলাজি দিষ্ট্রিক্টকী পটাচরকুচি পুলিসতা সরেন্দর তৌখি। তুংদা মহাক গুৱাহাটিগী কালিপরা এরিয়াদা লৈবা মরিশুবা এ টি দি এনদা পুখি।

অসামগী এদিসনেল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (লো এন্দ ওর্দর) জি পি সিংহনা এক্ক্যুজ অসিবু পটাচরকুচিদগী গুৱাহাটিদা পুখি। হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১০দা সী আই দিনা ৰাহং পাউহং চত্থখিবা মতুংদা বি জে পিগী মেম্বর অসি কোয়লোৎ লোৎতুনা লৈরকখিবনি।

রিপোর্ট খরগী মতুংইন্না, সী আই দি অমসুং ক্রাইম ব্রাঞ্চকী টিম অমনা হৌজিক দেকাবু গুৱাহাটিদা লৈবা ইন্সপেক্টর ব্রাঞ্চকী লোকঅপ্তা ৰাহং পাউহং চত্থরি।

কেস অদুগা মরী লৈনবা অতোপ্পা মরু ওইবা দিভলপমেন্ট অমদা অসামগী ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না দিবানদেকাবু অসাম পুলিস সব-ইন্সপেক্টর (এস আই) রিক্রুটমেন্ট ৰাথোক অদুদা চাউনা চেন্নরম্লগীদমক্তা পার্টিদগী তান্থোকখ্রে। হৌখিবা চয়োলদা দেকাগী মরমদা হংবদা অসামগী মিনিষ্টর হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মানা মহাক পার্টিগী থবক থৌরমশিংদগী থাপ্না লৈখ্রবা লিদর অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

ক্বেসন পেপর লিক ওইবগী ৰাথোক অদুগী মতাংদা ষ্টেট শিন থুংনা প্রোটেষ্ট চত্থরক্লিঙৈদা মীচেলশিং অদুবু ফানবগী প্রিপরেসন কনশিল্লকখিবগা লোয়ননা অসাম পুলিসনা দেকাবু ফাবা ঙমখিবনি।

লৈঙোই সপ্লায়রশিংগী এসোসিএসন্না দিমাপুরদা লৈঙোই সপ্লায় তৌবদা অথিংবা থমখ্রে

দিমাপুর, ওক্তোবর ০১(এজেন্সী): দিমাপুরদা লৈঙোই সপ্লায় তৌবা অমসুং পুশিনবদা অসাম সেন্দ সপ্লায়রস এন্দ ত্রক ওর্নর এসোসিএসন দিমাপুর (এ এস এস টি ও এ দি) না য়ূমশকৈশা নুমিৎতা মপূং ফানা অথিংবা থমখ্রে। অথিংবা অদু য়ূমশকৈশা নুমিত্তগী চৎনহনবা হৌখি অমসুং এ এস এস টি ও এ দিগী মায়কৈদগী লোনা য়াদবা মওংদা লৈঙোই পুথোক পুশিন তৌবগী থবক খুদিংমক্তা অথিংবা লৈহল্লগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

দিমাপুরদা পুশিল্লক্লিবা লৈঙোইগী মমল হন্থহন্নবগীদমক্তা অথিংবা অদু থল্লিবনি হায়নসু এ এস এস টি ও এ দিনা ফোঙদোকখি। অথিংবা অসিগী খূথাংদা ওর্গনাইজেসন অসিনা লৈঙোই সপ্লাইগী অচংমলদা লৈরিবা অশোয়বা কয়াসু চুমথোক্লবগী পান্দম থল্লি।

পনবা য়াবদি, কোভিদ-১৯ লোকদাউন লৈখিবদগী অসামদগী লৈঙোই সপ্লাই তৌবদা চঙবা শেনফম চাদা ৩০০ হেন্না হেনগৎখি।

মীদিয়াদা ৰা ঙাঙলদুনা এ এস এস টি ও এগী প্রসিদেন্ট অনিটো সোহেলনা হায়খিবদা, হৌজিক্কী তানফম অসিদা লৈঙোই সপ্লাইগী মমল অসুক্কী মতিক হেনগৎলিবসি করিগীনো হায়বসি এসোসিএসন অসিনা খঙবা ঙমদ্রি। লোনা য়াদবা মওংদা লৈঙোই পুথোক পুশিন তৌরিবা অসিনা মরম ওইদুনা সিফি দকেট অমা শেমখিবগা লোয়ননা মমল হন্থনা লৈঙোই ফংহল্লকপদগী লিগেল সপ্লায়রশিংনা মখোয়গী বিজিনেস অদু শেল মাঙনবগী ফীভম লাক্লি।

দিমাপুরদা লৈঙোই সপ্লায় তৌবগী মমলদগী অসামদগী লৈঙোই লৌবগী মমলনা চাদা ৭০ হেনগৎপগী ফীভম লাকপদগী ঐখোয়গী বিজিনেসতা শেল মাঙবগী ফীভম অসি লাক্লিবনি। মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট য়েংদুনা ঐখোয়না অসামগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেকহোল্ডরশিংগা ৰারী শানবা ৰারেপ লৌরে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

লৈঙোই সপ্লায় অমসুং লৈঙোই পুশিল্লকপদা অথিংবা থম্বগী ৰাফম অসি দিমাপুরদা লৈবা হোটেল সরমতিদা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা এ এস এস টি এ ও দিগী প্রসিদেন্ট সোহেনা লাউথোকখিবনি।

বি টি সীগী মীখল দিমান্দ তৌরদুনা মৈরা রেল্লি চৎখ্রে

গুৱাহাটি, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সী): বোড়োলেন্দ দিষ্ট্রিক্ট ওটোনোমস এরিয়াশিংদা ওক্টোবর ২৭তা গভর্ণরগী লৈঙাক লোইশিন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা বি টি সীগী মীখল পাঙথোক্লবা কন্না তকশিন্দুনা লাক্লিবা বোড়োলেন্দ পিপলস ফ্রন্ট (বি পি এফ) কী মেম্বরশিং অমসুং পার্টি অসিগী সপোর্টরশিংনা য়ূমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাংদা বি টি সীগী কন্সটিট্যুয়েন্সি ৪০ শীনবা থুংনা মৈরা রেল্লি চৎখ্রে।

খালিনদুৱার ব্লোক বি পি এফকী মখাদা লৈবা পার্টিগী মেম্বরশিং, সপোর্টরশিংনা আংলা টাউন শিনবা থুংনা মৈরাগী রেল্লি চৎখি অমসুং দিমোক্রেসি কন্নবা অমসুং কোভিদ-১৯গী প্রোটোকোলশিং ঙাক্লগা বি টি সীগী মীখল পাঙথোক্লবা স্লোগান কয়া লাউখি। খালিনদুৱার ব্লোক বি পি এফকী জেনরেল সেক্রেটরি সঙ্কর সরকারনা ফোঙদোকখিবদা, কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক্না মরম ওইদুনা মতম কক্তনা য়ৈথোক্তুনা লাকপা বি টি সীগী মীখলগী মতাংদা থা মঙা হেন্না হৌখ্রবা ফাওবদা তংদাংবা অমা খঙদনা লৈবা হায়বসি ঙক্লিংঙাই ওই।

অতে ষ্টেটশিংনা মীখল পাঙথোকপা য়ারবদি করিগীদমকা বি টি সীগী মীখলনা মতম কক্তনা য়ৈথোক্তুনা লৈগদৌরিবনো হায়না মহাক্না পনখি। হীরম অসিগী মতাংদা মহাক্না য়ুনাইটেদ পিপলস পার্টি লিবরেল (য়ু পি পি এল) গী লুচিংবশিংবু চৈ থাংখি।

এম জি এন আর ঈ জি এসনা খুঙ্গংগী মীয়াম্বু মতেং পাংলি

আইজোল, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সী): মহাত্ম গান্ধী নেসনল রুরেল ইমপ্লোয়মেন্ট গরেন্টি স্কিম (এম জি এন আর ঈ জি এস) না খুঙ্গংগী মীয়াম্বু লোকদাউন মনুংদা মখোয়গী হিংনবগী শেন্থোক লন্বী হেনগৎহন্দুনা মতেং পাংলি হায়না য়ূমশকৈশা নুমিৎতা মিজোরামগী রুরেল দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর লালরুৱাটকিমানা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি মদুদি এপ্রিলদগী সেপ্টেম্বর ফাওবগী মনুংদা ইমপ্লোয়মেন্ট কন্টেক্ট তৌনবগীদমক্তা সেন্টরগী স্কিম অদুগী মখাদা মিজোরামনা পূন্না লুপা লাখ ২৭,৯০৭.৯০ থমখি। হায়রিবা মতম অসিদা চাংচৎতা খুঙ্গংগী মীওইশিংবু নুমিৎ ৬২নি থবক ফংদুনা খুৎশুমল তালহনখি।

এম জি এন আর ঈ জি এসকী মখাদা থবক শুবগী খুৎশুমল তানবগী খুদোংচাবা ফংলিবা অসিনা লোকদাউন মনুংগী শেল-থুম ৰারবা মতমদা খুঙ্গংগী মীয়ামগী অৱাবা কোকহনবদা চাউনা মতেং ওইখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টর অসিগী মতুংইন্না, মিজোরামদা এম জি এন আর ঈ জি এসকী মখাদা জোব কার্দ হোল্ডর লাখ ২০১১০৭ লৈ। সেন্ট্রেল স্কিম অসিগী মখাদা জোব কার্দ হোল্ডর অমদা নোংমদা খুৎশুমল ওইনা লুপা ২২৫ পীরি। খুৎশুমলশিং বিনিফিসরিশিংগী একাউন্টতা হকথেংননা দিপোজিৎ তৌই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট রুরেল দিপার্টমেন্টনা লায়রবশিংগীদমক্তা সেন্টর অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মেটচিং স্যেরদগী সেপ্টেম্বর ২৫দা হাওজিং এসিষ্টেন্স ওইনা লুপা লাখ ৬২১ হেন্না ফংখি।

মেঘালয়াগী সী এম কোনরাদ সংমানা মিনিষ্টর ২ লৌথোকখ্রে

শিলোং, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সী): ময়াম্না থাজনরম্বা অমদি খন্নরম্বা কয়া লেপহনবা খোঙথাং অমদা মেঘালয়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা মিনিষ্টর অনী গভর্ণমেন্টতগী লৌথোকখ্রে। মিনিষ্টর অমদি মহাক্কী নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) গীনি অমসুং অতোপ্পা অদুনা হিল ষ্টেট পিপলস দেমোক্রেটিক পার্টি (ঐচ এস পি দি পি) গীনি।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৫দা মেঘালয়া দেমোক্রেটিক এলায়ন্স (এম দি এ) গভর্ণমেন্টনা ওফিস পায়বা চহী অনী মখায় মপূং ফাখিবা মতুং থা অমা ফাদ্রিঙৈদা মিনিষ্টর অনী হায়বদি ঐচ এস পি দি পিগী সামলিন মালঙিয়াং অমসুং এন পি পিগী হোমিংঙোন জ স্বোন চীফ মিনিষ্টরনা দ্রোপ তৌখিবনি।

চীফ মিনিষ্টরগী ৰারেপ অসিনা এম দি এ গভর্ণমেন্টকী তোঙান তোঙানবা পার্টরশিংগী মরক্তা মিনিষ্টরগী ফমশিং রোটেসন তৌবদা খুদোং চাহল্লগনি হায়রি।

সোর্সশিংনা ফোঙদোকখিবদা, মিনিষ্টরগী ফমদগী দ্রোপ তৌখ্রবা জ স্বোনগী মহুৎ মহাওহাটিদগী অহানবা ওইনা কারকখিবা এন পি পিগী এম এল এ দারসাখিয়া লমারেনা মহুৎ শীন্দুনা মিনিষ্টরগী ৰাশক লৌরগনি। মাওকিরৱাটতগী কারকপা ঐচএসপিদি পিগী লেজিসলেটর রেনিকটন লিংদো তোংখানা সামলিন মালঙিয়াংগী মহুৎ শিন্দুনা মিনিষ্টর ওইনা ৰাশক লৌরগনি। সোর্সশিংগী মতুংইন্না এম এল এ অনী অসি শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাংদা মিনিষ্টরশিং ওইনা ৰাশক লৌরগনি। মমাঙদা মফম থাদোক্কদৌরিবা মিনিষ্টরশিং অসি থা খরা অমগসু মখা তানা ফম পায়হনবা য়াই হায়না ওবজার্ভর কয়ানা ফোঙদোক্লখি।

ষ্টেটকী পাউ

ইথাই বেরেজগী মরু ওইবা লম্বীদা গেট পানবা য়ারোই হায়না ৰাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০১ (ঐচ এন এস) : ইথাই বেরেজকী অকোয়বদা লৈরিবা ক্লব ৮ অমদি লমদম অদুগী ইমা মৈরা পায়বশিংগা পুন্না খুৎশম্নদুনা ঙসি ইথাই বেরেজ অসিগী মেন রোদতা এন ঐচ পি সীনা রিমোট সেন্সরগী গেট মরি পানগনি হায়দুনা ইনষ্টোলেসন হৌরিবসি খুদক্তা লেপক্কদবনি হায়না কুম্বী এ সীগী মনুং চনবা ইথাই বেরেজ কম্যুনিটি হোলদা মায়কৈ অসিগী মীয়ামগী ওইবা ৰাকৎ মীফম অমা পাঙথোক্তুনা য়ানিংদবা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

ইথাই বেরেজগী অকোয়বদা খুন্দারিবা ইথাই, লাইখোং, ৰারুকোক, ইথাই খুনৌ অমদি নোংমাইখোংগী ক্লব, মৈরা পায়বী য়াওনা লমদম অসিগী য়াল্লবা মীওই কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা খোঙজং অদুদা ৰাংঙু বোরায়াংবী গ্রাম পঞ্চায়টগী এক্স প্রধান নাওরেম সনাতোম্বা, অরোং নোংমাইখোং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান নিংথৌজম ওংবী অঙ্গংবীনা মরু ওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা সনাতোম্বনা ফোঙদোকখিবদা, লম্বী অসি দিষ্ট্রিক্ট অনীগী অমত্তা ঙাইরবা ফাওনবা লম্বীনি। খুঙং অমগা-অমগগী মরক্তা চৎথোক-চৎশিন তৌনরিবা অমত্তা ঙাইরবা লম্বীনি। মসিদা এন ঐচ পি সী ওথোরিটিনা মখোয়গী খুদোংচানবা খরগীদমক মীয়ামগী খন্দনা গেট পান্ননবা হোৎনরিবা অসি খুদক্তা লেপক্কদবনি। মসিনা তুংদা অনাঅয়েক, মৈহৌ-লাংপোক, লৌউশিংউনচিংবগী চৎথোক-চৎশিন তৌবদা য়াম্না অৱাবা শোয়দনা মায়োক্নরগনি। মরম অদুনা অথুবা মতমদা হায়রিবা খোঙথাং অসি হন্দোকপিয়ু। করিগুম্বা মখা তানা হন্দোক্তবা তারদি হেন্না অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি হায়খি।

ৰাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী নুপী অমনা ফোঙদোকখিবদা, অসিগুম্বা মেন রোদতা গেট পাল্লগা মীয়ামদা অৱাবা পীবসি তৌহন্নিংদে। মণিপুরগী মফম অমত্তদা মেন রোদতা গেট পানবা উদে অমদি এন ঐচ পি সীনা লমদম অসিগী মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা লম্বী অসিদা গেট পানগনি হায়না থৌরাংলিবা অঙকপনি হায়না ফোঙদোকখি।

জে সী সী দব্লিয়ু বিগী থৌমীশিংনা পুলিসকা লোয়ননা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০১ (ঐচ এন এস) : জোইন্ট কোওর্দিনেসন কম্মিটি ওন ৱাইল্দ লাইফ এন্দ বাইওদাইভর্সিটি মণিপুরনা লমলক্কী শা-উচেক কনসি, অকোয়বগী ফিভম ঙাক-শেনসি হায়বগী ৰাখল্লোনদা লেপ্তনা চত্থরকপা দ্রাইভ অমগী মতুং ইন্না চত্থরকপা হিয়াংথাং হৈবোক চীংদা কাঙলোন কায়না চীং লৈবাক কোখোল্লম্বা অমদি চীং তেমখায়বগী থবক চত্থরে হায়বা পাউ ফংবদগী ৰাঙ্গৈ পুলিসকী ও সী কে বুধচন্দ্রগী টিম, সদর ইষ্ট সেন্ট্রেল কোইরেঙ্গৈগী আর ও ষ্টাফশিং অমদি হিয়াংথাংগী দি ওগী ষ্টাফশিংগা চঙশিন্দুনা শোক্লিবা মফমশিং য়েংশিনখ্রে হায়রি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা জে সী সী দব্লিয়ু বিগী কনভিনর অমদি দব্লিয়ু বি সী সীগী সেক্রেটরি রোমেস নিংথৌজম্না ফোঙদোকখিবদা, জীব পানবা খুদিংমক শিবা নাই। তুংদা লাক্কদৌরিবা মীরোলগী খল্লগা ঐখোয়না মহৌশাগী খুৎশেম্বু মুথৎলবদি মালেম লৈমায়দগী অহিংবা জীবশিংসু তপ্না-তপ্না মুৎখিবা য়াবগী অকিবদু লাক্কদৌরে। মরম অদুনা ঐখোয় পুম্নমক্না ৰাখল তামিন্নবগী মতম ওইরে হায়খি।

হৌখিবা মার্চ ২২ দা জে সী সী দব্লিয়ু বিগী অপুনবা টিম অমনা হৈবোক চীংগী ওইরিবা ফিভমশিং য়েংশিনবিনবা মণিপুর লৈঙাক অমদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা য়েংশিনবিনবা লোকেল পাউচে অমদি সোসল মিদিয়াগী খুথাংদা হায়জবসু লৈখ্রে। অদুবু মসিগী ওৎন-তৈনবদা লৈঙাক্কী ফম্নাইবা অমদি অঙম-অথৌশিংনা হৈবোক চীংশাং অসিদা নত্তনা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা চীংশিং অসিবু শেমগৎপিবগী মহুত্তা মাঙহন্নবা শীল্লিকপগী অচৌবা মমি তারিবা অসিদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা তুমিন্না লৈশিনখিবা অসি লাইবক থীবনি।

কুমজা ২০১৯ দা ইকাই খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টর য়াওনা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্দ ইনভাইরনমেন্ট দেগা মরী লৈনবা প্রোগ্রাম অমদা হৈবোক চীং অসি শেমগৎপগী ৰাফম কয়া ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রবনি। অদুবু ঙসিদি চীংশাং অসিগী ওইরিবা ফিভম তম্বা ঙমদবা অমদা লাক্কদৌরে। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা মণিপুর ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী লৌফম থোকপা থৌদাং লৌদব্রা হায়বগী ৰাফম কয়া লাক্লি।

মখা তানা মণিপুরদা লৈরিবা চীংশিংগী ফিভম কয়ামুক শোকচিল্লবগে য়েংহন্নিংবগী অপাম্বসু মায়কৈ অসিগী মীয়াম্না মরী লৈনবশিংদা থল্লক্লি।

উ চারা থাবা লেপ্তুনা চত্থরি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০১ (ঐচ এন এস) : মালেমগী কায়থরক্লিবা মহৌশাগী খল অসিবু কন্নবা হোৎনবদা খরদং ওইরসু মতেং ওইনবা হায়দুনা য়ুনাইটেদ পিপলস এদমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সিল (য়ু পি এ সী ও) মণিপুরনা তোঙান-তোঙানবা ক্লব ওর্গনাইজেসন কয়াগা খুৎশম্নদুনা লেপ্তুনা পাঙথোক্লুপা থৌরম ঙসিসু মখা চত্থরি।

য়ুনাইটেদ পিপলস এদমিনিষ্টেটিভ কাউন্সিল (য়ু পি এ সী ও) মণিপুরনা ঙসি টেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা খুলসাইবুং খুলগী ভিলেজ ওথোরিটি অমদি খুলগী খুঞ্জা ৬০ রোম্না শরুক য়াদুনা উ চারা থাবগী থৌরম অমা খুল অসিগী লম্পাক, চর্চকী অকোয়বা অমদি লম্বীগী নাক-য়েৎতা পাঙথোকখ্রে। হায়রিবা থৌরম অদু গ্রীন মিসন মণিপুরগী ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইরিবী ভেলেন্টিনা এলাংবম্না হৌদোকখি অমদি থৌরম অদুদা থাখিবা উ চারাশিং অদু দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসর থৌবাল ওইরিবী দেভলানা মতেং পাংলকখি হায়রি।

ইরাবতকী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০১ (ঐচ এন এস) : লময়ানবা ইরাবতকী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা খাঙবোক এ সীগী মনুং চন্না লৈবা পোলিং নম্বর ৩৫/১৪ খাঙবোক শোরোক ৰাংমগী মেঞ্জোর মঙাং সপোর্টরস গ্রুপকী য়ূঠশিংনা শীন্দুনা মেঞ্জোরগী মীৎয়েং মখাদা মীমান্নদ্রবা মীওই ৯ দা চানথরুবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে। থৌরম অদুদা মেঞ্জোরনা হায়, লৈকাই খুল অসিগী য়ূঠশিংনা মীমান্নদ্রবা মীওইশিংদা মতেং পাংনবগী লৌখৎলক্লিবা থবক থাগৎনিংঙাইনি।

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৰানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।
(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, শ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৰাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।
(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৰেৎ হন্থরক্নি। ফম্বী চাং হন্থক্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।
(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।
(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।
নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু
(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।
(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিডৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৰাংনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতে লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।
(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৰাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।
(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it .with meal, vegetables or tea without telling him
HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar -/level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6359/06/09-06/10

CROSSWORD-3577



ACROSS
1 Censure (7)
5 Objectives (5)
8 Forthright (5)
9 Supervise (7)
10 Insinuated (7)
11 Diminutive (5)
12 Blunder (6)
14 Excellent (6)
18 Vocal compositions (5)
20 Organise (7)
22 Silly (7)
23 Classical language (5)
24 Ascended (5)
25 Design (7)

DOWN
1 Bosh (7)
2 Well-rounded (5)
3 Silhouette (7)
4 Deluges (6)
5 Conjecture (5)
6 Sausage (anag) (7)
7 Odour (5)
13 Microsoft operating system (7)
15 Perpendicular (7)
16 Enter forcibly (5,2)
17 Clean the dishes (4,2)
18 Until now (2,3)
19 Coins (anag) (5)
21 Female relative (5)

Solution 3576

D	E	S	I	S	T	■	S	C	R	A	W	L
E	■	A	■	H	■	■	■	H	■	C	■	A
F	U	N	G	I	■	S	T	A	R	T	E	R
A	■	G	■	F	■	I	■	T	■	U	■	D
M	E	R	I	T	E	D	■	T	E	P	E	E
E	■	I	■	■	■	E	■	E	■	■	■	R
■	■	A	R	G	Y	B	A	R	G	Y	■	■
S	■	■	■	E	■	O	■	■	■	E	■	C
T	R	A	I	T	■	A	V	O	C	A	D	O
U	■	G	■	W	■	R	■	N	■	R	■	L
D	E	A	D	E	N	D	■	C	A	N	A	L
I	■	T	■	L	■	■	■	U	■	E	■	I
O	P	E	N	L	Y	■	N	E	E	D	L	E

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3376

4		7			8			
6	1							
8	3			1		4		
				2	4		5	
2		3	5		7	6		8
	5		1	3				
		2		5			9	6
							2	5
			3			1		7

Solution-3375

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

3	6	2	4	8	5	9	7	1
9	8	7	1	3	6	4	5	2
5	4	1	9	2	7	3	8	6
7	9	5	2	1	4	8	6	3
4	2	6	3	5	8	7	1	9
8	1	3	6	7	9	2	4	5
2	3	4	8	6	1	5	9	7
6	7	8	5	9	2	1	3	4
1	5	9	7	4	3	6	2	8



গাঙম

ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম


নুপী ঙসিদগী নঙ ঐগী নুপী ওইরবনিকো, ফজন্না হল্লুকো।
অসুম্না নুঙাইনা ৰাখল তৌদুনা মাংগোন্দা পোথারম্মী।
শোমদনা খুল্লাকপনা মচানুপীদু অতোপ্পা খুল্লাকপগীদা থাজনবা খল্লম্মী।